ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওক্টোবর ২০, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ২০৭শুবা মশীং


# ঐখোয়গী নহারোলশিং

## অচঙবা য়ূম্বী ওইনবা লৈঙাক্না করি হোৎনরিবগে খঙহল্লু

**লৈবাক** অসিদা লৈরিবা মীগী মশীংগী খায়বোক অমরোমদি মশাগী চহী ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহারোলশিংনি। মখোয়দা চোকথবা নাইদবা, লম্বানবদা কিদবা, মপাঙ্গল কনবা অমসুং হৈ-শিংবা কয়াগী মতিক-ময়াই লৈবা মরম্না লৈবাক অমা চাউখৎহনবা হায়বসি নহা ওইরিবশিংগী মখূৎতা লৈ হায়না লৌনরি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশানসু ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি নহারোলশিংগীনি। মখোয়না লৈবাক অসিবু মাংলোমদা পুখৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা মখোয়গী ওইবা থৌশিল শেমগদবনি অমসুং লৈবাক অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং পনখি। তশেংনমকসু মণিপুরদা মীয়ামগী থবক তৌরিবা অয়াম্বা নহা ওইরিবশিংগী থৌদাং ওইনা তৌই। ষ্টেট অসিদা হৌবা মীয়ামগী ঈহৌসু মপূং ওইনা মহৈরোয় হায়বদি ঈ খেংলিবা মশাগী চহী ১৫ দগীনা ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনা শরুক য়াই। মখোয়না শরুক য়াবা খোঙজং অমা মায় পাকপগী লম্বীসু য়াম্না নক্না লৈ। মরমদি, মখোয়গী প্রেসর অসি অদুক্কী মতিক কল্লি, লৈঙাক্না মখোয়গী ৱাকৎ তাদবা ঙমদে। লুরিবদি অসিগুম্বা নহারোলশিং অসিদা করম্বা ৱাখল্লোন পীরগা, করম্বা মতিক ময়াই হাপ্লগা মণিপুরগী চাউখৎপা ওইহনগদগে হায়বদুদি লৈঙাক্না ইখন খনদবদৌনা তৌই। মখোয়গী ওইবা পোলিসি শেম্লে হায়রগসু পোলিসি অদু চৎনহনবা ঙমদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না লাকহৎতুনা খূদোংচাদবা মায়োক্লগদৌরিবা নহারোলশিংবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্নবা মপূং ফাবা থৌশিল শেম্বা লৈতে। মদুগী মহুৎতা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী নীংলকপা ৱাখলদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওইশিং ফাগৎলু অদুগা মখোয়বু ৱাখল তাননবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থম্মু হায়বদমক থৌদা পীরগা পূম্নমক্কী ৱাথোক লোইবা য়াবা নত্তে। মখোয়না কমদৌনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারকই, কমদৌনা মসি থিংবা য়াগনি অমসুং খুন্নাই অসিনা ময়াই কাবা দ্রগ থিংননবা হোৎনবদা করি থৌদাং লৌহনবা য়াবগে হায়বনচিংবশিং অসি মায়কৈ কয়াদগী তরেৎ-তরা থোক্না য়েংলগা থবক তৌহনগদবনি। অদুবু ঐখোয়গীদি ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবা থিংননবগী থৌশিল শেম্বসু লৈতে। নহা ওইরিবশিং অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসিদগী কমদৌনা লাপথোকহনগদগে হায়বগী থৌরাংসু লৈতে। মরম অদুনা মণিপুরদা নহারোলশিং শেম্নবা থৌশিল ইহো হোবদৌনা লৈ হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না য়ামিন্নবা চঙই।

য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা মণিপুরদা নহারোলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি মশক খঙবগা লোয়ননা মখোয়বু অফবা মায়কৈ অমদা পুদুনা চৎননবগী থৌরাং কয়ামরুম লৈরম্মী। থৌরাংশিং অসি য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস হায়দুনা তোখায়বা দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোক্লগা মায়কৈ অনী থোক্না থবক তৌই। মায়কৈ অমনা শান্নরোয়শিংগী অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমনা নহারোলশিংগীনি। শান্নবগী লম্দা মণিপুরনা মাংজিল থাই হায়না চাওথোকচরিবা অসিসু মুন্না খঞ্জিল্লুরগদি ইকায়নিংঙাইনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা শান্নরোয় শেম্বগী থৌদাং অসি য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। স্কুল গেমসকুম্বা খরা শীনবা নৎতনা মশক থোকপা শান্নরোয় পুথোক্নবগী থৌরাংদি দিপার্টমেন্ট অসিনা শীন্দবদৌনা তৌরে। অয়াম্বা লৈকায়গী ক্লবশিং অমসুং এন জি ওশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবদগী মশক থোকপা শান্নরোয় পুথোকপনি হায়না লৌবা য়াই। মতৌ অসিগুম্না দিপার্টমেন্ট অসিদা অমত্তা ওইরিবা য়ুঠ এফেয়র্সসু চপ মান্নে। ষ্টেট অসিদা য়ুঠ সেন্টর ১৩৮ লৈ। মখোয়দা নহারোলশিং শেম্নবা তোখায়বা শেনফম থাদবগী চাং শাথীনা নেম্মী। সেন্টর অমমম্দা পাউচে লৈননবগী লুপা ৫০০ অমসুং ক্যের টেক্কর অমগী থাগী রিম্যুনরেসন লুপা ৫০০ অদুনা লোইরে। হৌজিক্কী মতমদা লুপা ৫০০না করম-করম্বা পাউচে লৈরগা নহারোলশিংদা কান্নবা পীগদৌরিবনো, মখোয়বু য়েংশিনগদবা ক্যের টেক্কর অমদা লুপা ৫০০ পীরগা মহাক্না করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়বদু খন্নবা য়াই। হান্নদি য়ুঠ এফেয়র্সতা মীওই ৭৫ রোম থবক তৌরম্মী। অদুবু মথং-মথং থবক্তগী পোত্থানখিবনা হৌজিক্তি ষ্টাফ ২৩ রোমতমক ঙাইশিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইরগা য়ুঠ এফেয়র্স হায়বা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মনুংদদি লৈবা মরুওইবা মশা অসি মুৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ঐখোয়না ঐখোয়গী নহারোলশিং ওক্তে, মথোং চাদে, অরানবা লম্বীদা চৎলি হায়দুনা চৈরি। অদুবু, মপী-মপা অমা ওইরিবা লৈঙাক্না ওক্তবা মচাশিং অদুবু অওকপা ওইহন্নবা চৈ-থাংবগী থবক্তি করি তৌরিবগে? ফত্তবা মচা অমা মমা-মপানা অফবা লম্বীদা লাক্নবগীদমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা ঙম্লগদি মচা অদু মী ওইরক্কনি। মতৌ অসুম্না লম্বী লান্না চৎলে হায়দুনা লৈঙাক্না পাউথোক্লিবা নহারোলশিং অদুসু নীংথিনা খোমজিল্লগা মখোয়না তৌগদবা থবক্না অসিনি, তৌরোইদবা থবক্না অসিনি হায়না মচা খায়না খায়দোক্লগা মখোয়দা ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয়বু থবক পীবা অমসুং লক্মাংনহন্দবা হায়বসি লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা থৌদাংনি হায়না লৌগদবনি। ঐখোয়গী লন ওইরিবা নহারোলশিং অফবা লম্বীদা চৎহন্ননবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লৈঙাক্কী থিঙ্ক-টেঙ্ক অমা থম্বীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** খুন্নাই অসিদা পোলিটিকেল, সোসল অমসুং ইকোনোমিক্সনচিংবগী চয়েৎ-খোয়েৎনবা য়াওহল্লকপদগী কমপ্লেক্স ওইহল্লবা ইস্যুশিং হান্নদগীসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদদুনা লৈরক্লি। মতুংদসু মীশিং য়ামখৎলকপা, অমরোমদা ইরমদম অসিগী মনুংদা অমসুং মপান্দা কল্লক-য়েংথীবা মশীং হেনগৎলকপনা অনৌবা চয়েৎনগদবা ইস্যু ময়াম অমসু থোরক্লিংঙাই ওইরি। অসিগুম্বা ইস্যুশিং অসি লৈঙাক্কী লৈজরিবা লৈঙাকলোইশিং, ব্যুরোক্রেটশিং অমদি অতৈ ফম্নাইবা-ফম্নাইবীশিং ঙাক্তনা খন্ন-নৈনবা, ৱারেপ লৌবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপদা লৈবাক মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা মপূং ফাবদি ঙম্লোই। খুদম ওইনা সেন্তরদগী হায়রকপা পোলিসি-প্লান অমা মণিপুরগী লৈহাওদা হেক্তা চানগনি নৎত্রগা চুশিন্নগনি হায়বা ৱা করিসু লৈতে। অসুম্না লৈবাক্কী অফ-ফত্ত খন্ননবা অমসুং ফজবা পোলিসি প্লান পুথোক্নবগীদমক অৱাংবা থাক্কী অচৌবা থিঙ্ক-টেঙ্ক অমা লৈঙাক্কী ওইনা লৈহন্নীংই। চাওখৎপা লৈবাকশিং খুদম ওইনা অমেরিকা, চাইনানচিংবা লৈবাকশিংগী প্রসিদেন্ট নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা মাগী মাগী লমগী থিঙ্ক-টেঙ্ক অদুনা য়াৎলকপা মতম মতমগী পোলিসি-প্লান অদু পাঙথোক্নবা থৌদাং পীরমগনি থাজে। মরম অসিননি থিঙ্ক-টেঙ্কনা পীরকপা লৈবাক্কী থৌদাং অদু মতিং লৈনা, শিবা কিদনা পাঙথোক্নবা প্রসিদেন্ট নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা তাইবঙ মপূগী মমিং শোন্দুনা ৱাশক চেৎনা শক্নরিবসি।


হৌজিক হৌজিক মীচম-মীয়ামগী মরক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ক্বালিফাইদ ওইরবা অখঙ-অহৈ ময়াম অসিদা লৈরিবা হ্যুমেন রিছোর্সশিং অসি লৈঙাক্কী থিঙ্ক-টেঙ্কতা শীজিন্নদুনা অরেম্বদা মাঙহন্নীংদে। অমেরিকাগুম্বা লৈবাক্তদি ব্রেন-দ্রেনগী পোলিসি অসি য়াম্না শীজিন্নদুনা হ্যুমেন রিছোর্স অদু মেক্সিমম ফংহৌনবা হোৎনৈ। মরম অসিনা ইরমদম অসিগী লৈজরিবা অখঙ-অহৈশিং মরুওইনা মণিপুরগী টি ভি চেনেলগী দিস্কসন অৱার প্রোগ্রামদা অচিনবা কয়া কাইথোক্তুনা লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মচা খায়না খন্ন-নৈনবিবগা লোয়ননা অফবা সজেসন কয়া পুথোকপীরিবা পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট, ইকোনোমিষ্ট, সোসল সাইন্টিষ্ট, একাদেমিসিয়ন, সেনিয়র এডিটরশিং, সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং অসিনচিংবা য়াওহন্দুনা লৈবাক্কী অচৌবা মশক নাইবা থিঙ্ক-টেঙ্ক অমা লৈঙাক্না শেম্বীরবদি লৈঙাকপদা খুয়া তুশিৎনা লৈঙাকপা ঙমগনি থাজে।

অরোইবদা, অমবু ওইরে অমবু ওইরে লৈঙাক্কী থিঙ্ক-টেঙ্ক অমদি থম্বা য়াম্না তঙাইফদে।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

# সেল্ফ ইন্দ্রদক্সনগী ময়াক



**গুদ মোর্নিং।** ঐগী ৱারেং পাবিরিবা ময়াম পূম্নমকপু খুরুমজরি।

চনম্বম রাজমনিগী মিং তাবীরব্রা? অয়াম্বনা তাবীরম্মোই। ঐগা লুনা তিন্নবা মরুপ অমগী মমিংনি। নহানি। ইবানি মীফম মচা অমা য়াওমিন্নে। ঙাইহাক কা মনুংদা ফম্লম্লগা অদুম মপান থোকখ্রে। মানা থোক্লমদাইদা হায়রম্মী - করিনো সেল্ফ ইন্দ্রদক্সন হায়বদি ইশানা ইশাবু শক তাকচবা অসিবু মী অমনা পুংখায়-পুংখায় চঙনরবদি মিটিংদি পুং কয়াদা হৌদৌরি? ঐ মিটিংগা অমত্তা য়াওবা ঙম্মরোই হায়রগা অদুম মপান্দা থোকখ্রে।

অনৌবা লাকপা ময়ামদু মিটিং হৌরমদাইদা মশক তাক্নসি হায়দনা অরাকপা অমনা হায়রকপা অদুদগী শক তাক্নবা হৌখিবনি, থোইনা মদু তৌরুবগী মথৌবুদি তাবা নত্তে। অহানবা ঙাঙবা অদুদি কৈসু শাংলমদে, মিং, লৈফম অমদি লূপ অদুদা মানা ওইবা ফম অদু হায়রম্মগা অদুম তোকখি।

মখা তাবদগী হৌরে, মাগী মপুন্সি ৱারী লীবা। মানা জপান, কোরিয়া, য়ু এস এ কোয়রুবা খোৎলুবা ময়ামগী ৱারী ময়াম কোথ-কোথদুনা লীবা। মীনা তানীংলমনি তানীংলল্লোই খঙদে। ৱারী পঙশাংদা শাংদোকই। মশক-মমিং, লৈকায়, শিনফম-নুংফম হায়রম্বদগী হেন্দোক্তুনা মাগী নুপী মপামগী মকুবোক্কী ৱারীফাও অদুম য়াওনা কোনশিনবীরম্বা য়াওরে।

মথংদা সেল্ফ ইন্দ্রদ্যুস তৌরিবা নুপা অদুনা অমুক্না হেন্না করা অমা হেনখ্রে - ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা ঈশিং বোট্টল লিক্লী মচা অনী লোইবগী ৱানিসে। মাগীদি ঠিকা তৌবদগী হৌরগা মতৌ করম্না লূপ অদুদা য়াওরকপগে হায়বগী মচা তাবা অকূপ্পা ৱারোল শুগায়না পীরল্লবা মতুংদা তেনশিনবিরো মতম লৈত্রে হায়রকান্দা মাইক্রোফোন থমখি। মাইক্রোফোন হেক থমখিবগা মানা ৱা ঙাঙবদা তেনশিল্লো হায়রে - থকসি-খাসি য়াওদে, মা অঙাং মচা নত্তে হায়বরোমদা ওন্থোকখিদুনা ময়ামদা ওনশিন্দুনা লাউরম্মগা অদুম থোকখ্রে।

মহাক থোকখ্রবা মতুংদা নুপী অমা চঙলকই। মাসু অরাইবদি নৎলমদে। আনোক অদু নখাঙদা ইনখৎ-ইনখৎলগা ঙাঙখিবসি-ঙাঙখিবসি ঈশিং ওইনা কাপথোরকপা ওইরদি পুখ্রি অমা ঈমাই পানি। অতৈ অতৈনা অদুক অদুক শাংনা ঙাঙলগা মাদি করিগী তেনত্রিক তেন্না ঙাঙগদৌরিবনো । ঐগীসু শাংনা ঙাঙবগী, কোথবগী রাইট মাঙবা য়ারোই হায়বগুম্বগী মোতিফ অমা য়াওবা মাল্লি। পুরা মাগী অদুদি ওটো-বাইওগ্রাফিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ময়াম মানা ৱা ঙাঙবা লোইবদা মমিং অদুম কাউনরে।

মথংদা অমা চঙলকই, ঐগী মিং সলাইঙম্বা, লৈফম বাবুপড়া হায়রম্মগা মাসু দবলরুটি শাবগী মতাংদা ফনা শাংনা ঙাঙলম্মী। ইরোই লোইবদা মা ময়ূম পানজদ্রি হায়রম্মগা থোকখি।

পুং অনীদগী হৌবা মীফমনি। মী মরি সেল্ফ-ইন্দ্রদক্সন তৌবদা পুং মরি অদুম তারে। মীফমদি হৌদ্রি। মী মশক তাক্কদবা ৩৬ (মী ৩৬) লৈরি। পুং ১৮ ৱাৎলি। সেল্ফ ইন্দ্রদক্সন লোইগদৌবসি অথেংবা নুমিদাং পুং ১২ তাবফাওবদা সেল্ফ ইন্দ্রদক্সন তঙ্খায় চন্দবগী ফীভমদা লৈরি। তেনশিনবীরো হায়বা লেপ্পে শাংদোকপীরো হায়বগা মান্ননা তানরে। তোকউ হায়রুবসু শাউনরবনিনা তোকউ হায়বসু ঙম্নদ্রে। তেনশিল্লু হেক হায়রুবদা খূ খূ হেক্তা কান্নে অঙাং মচা অমগা চপ মান্ননৈ।

অমসু অমসু মমিং-মথা, লৈকায় হায়রগা লোইবা য়াবদু মাগী লৈকায়গী ৱারী লীবদা অদুম ময়াম খোয়দৌ থীৎনরে। মরম চাদনা ৱাকোয় শুবা ৱাঙাঙমী, ৱা ঙাঙবা লোইশিনবা হৈতবা কয়া লৈরে । ওজা নোংমাইথেম তোম্বী, ওজা য়ূমলেম্বম ইবোমচা, ওজা থাংজম ইবোবিশক, ওজা মোইরাংথেম প্রিয়োব্রতা, ওজা শগোলশেম লনচেনবা হায়রিবা মীওইশিং অসি ঐনা হৌজিক হৌজিক্কী মতমদা ৱা ঙাঙবদা তাবা য়াম্না নুংঙাইজবা মীশকনি হায়না খুরুমজরি। মীয়ামগী মীফমদা ৱা কয়া ঙাঙখ্রে। লায়না ঙাঙই। নুংঙাইহল্লি, নোক্লিংহল্লি, খলহল্লি, ফোন মেত্তুনা লৈনীংদে মখোয়না ঙাঙবদা।

ৱাঙাঙমী কয়া কয়া অমসু লৈরি অফ অফবা । অদুবু ৱাকোয় শুবা ৱাঙাঙমী থৌরমগী মতম য়েংদবা, ফংলিঙৈ হেক্তা অরৈবমখৈ ঙাঙথোক্লম্লগে হায়বা ময়ামসু লৈনৈ।

মণিপুরগীদি ৱেলকম এদ্রেসতা, ভোট ওফ থেঙ্কসতা, সেল্ফ ইন্দ্রদক্সন্দা মতম শাংনা শাংনা লৌবা হৈবা মী য়াম্না লৈখ্রে। চাউবু চাউথোকচনীংঙাইনি। থেঙ্ক-ক্যু!

# জগোয়দি জগোয় ওইনা লৈজসনু

### নবকুমার ওইনা

**রসিয়া** নুপীদুনা মণিপুরী জগোয় শাখি। লাইনীংগী ওইনা শাখিবা নত্তে। মৈতৈনা কবুই জগোয় শারি, লাইনীংগী নত্তে, ফুরুপ ওনবগী নত্তে। মৈতৈনা শাদবা জগোয়বু লৈরিব্রা হায়বা য়ারে। হৈবগীনি, নাট ওনবগীনি হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা লাইনীং লিচৎ চেত্তবা ওইনা উগদৌরিব্রা? অকক্নবা জগোয় অমা শারগা লেমজবা ওইগদৌবা লৈব্রা? মৈতৈনা করম্বা মণিপুরী ফুরুপ অমগী জগোয়তমক থৱায় য়াওরিব্রা? ফুরুপ খুদিংমক্কী জগোয়দা মান্ননা য়েংফম থোকই। জগোয়দি জগোয় ওইনা অদুম য়েংফম থোকই (রসিয়া নুপীদুনা য়েংবগুম), করিগুম্বা লান অমগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

মণিপুরী জগোয়দা থৱায় য়াওরিবা মৈতৈশিং কনা কনানো? থাবল চোঙবসি জগোয়নি, কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দ্রবনি। মফম নাইদনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবনি। লাই হরাউবগী জগোয়সু লাইগী ওইরম্বগী মথক্তা হরাউ কুম্মৈগী জগোয় ওইনা লৌনরকপা, লাইগা লাপ্নরকপা উরক্লি। মরক অসিদা জগোয় খরনা লাইগী য়ূম্ফম থোনবগুম লৌনরকপসু য়াওনরক্লি। মসি পূম্নমক লাই অমসুং জগোয় অদুনা তৌরকপা নত্তে। মীওই খরগী অপাম্বদু থবক ওন্থোকপা য়ানবা লাল্লোং অমা ওইগনি খল্লি। জগোয় খুদিংমক লাইগা মরী লৈনরম্বদি য়াই। লাইনীং শন্দোক্নবগী খূৎলায় ওইনা লৈবদি য়াওরমগনি থাজদে। মসি খন্থহৌদবা মীওইশিংগী ইকায়বা খাঙবদা কংলাদা কং কোৎপা অচুম্বা ওইরোই। কংলা হায়বসি রাম-জন্ম-ভুমিদগী হেন্না ময়েক শেংনা লৈরিবা, ঙসি ঙসিমক খুরুম্বা চঙনরিবা মফম অমনি। মদু খঙজদবা মীওইশিংনা লৈঙাক পায়জরগা মীগী মীচং চঙলুবা য়াওরবদি লুখা থানগে হায়রকপদি মশানা তারকপনি। লমদমসিগী মচিং খঙগদৌবনি।

কংলা হায়বসি ম্যুজিয়ম নত্তে, কোনুং নত্তে, হিরী কোনফমনি। নিংথৌনা য়ারেকপা মফম খুদিং কোনুং ওইনা লৌবা য়াদে। লাইনীং নাট অমগী অহকপা থৌরম পাঙথোকফম, লাইমক লৈ হায়না লৌরিবা, লাই নীংফমগী মনুংদসু হেন্দোক থোইদোকপা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা মফম অমনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না ইখঙ খঙনবা ৱাফমনি। মদু খঙজদবদগী মীগী শেগাদা ঙক লিৎশিল্লগা মীগী খোয়দৌদা শান্নগে হায়বসি লোগী মতুং ইন্না জেলদা থম্নরিবা অসিদা য়াওহনখিবা তারকপদুনি। অনাবা মী ওইনা উবদগী ক্লোরোফোর্ম থাখ্রবনি হায়না খনবসি মী অমগীদি য়াবসু য়াই, মীয়াম অমগীদি য়ারোই হায়বসি খঙনগদৌবনি। শিবা কিদবা হায়বসি থৌনা ফবঙাক্তনা তৌনবা থবক নত্তে, অপঙবসু লান্দা থৌবা ময়াম'মা লৈনরিবনি। হেঞ্জিল্লুরগনা অকামপেৎ য়াওনরক্লিবসিনি। মীশি-মীনা থোক্নবা শিল্লুরগনা ফম তাবখক্না লোম্বা মালোম ওইদবসু য়ারি। লেবোরেটরি অমদা ব্লদ-গ্রুপ য়েংনরকপসু য়ারিবনি। লমসিগী থবক তারক্কদৌরিবনি।

অমরা-অমরা রাম জন্ম ভুমি খঙবশিংনা কংলা খঙগদৌবনি। অশিবা মীদি শাওরক্তবা য়াই, তূম্বা হেক হৌগৎলকপা মীনা শাউরবদি অমাং-অশেং য়েংনরক্লোই। কংলাদা তন্ত্রিক্কী মন্ত্রনা থমাইখি হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। মদুমক মখা চত্থরকপা তারবদি মন্ত্রগী পোৎ তুরেল খোংবান্দা ফুম্নখিবসি নীংশিংনফম থোকই।

কংলাদা শাগদৌবা জগোয়দি ফল্লোন জগোয় ওইগনি। রেষ্টুরেন্টকী দান্স তৌগদৌবা নত্তে। লমদমসিগী মীয়াম্না ঙসি ফাওবদি ফল্লোন শেন্নবা ঙমজদ্রিবা মাল্লক্লি। কংলাদি খঙনরক্লে। জগোয় (চা-কোই) শাবদি হৈজদ্রিবা হায়বদু মাল্লক্লি, অদুনবু মীগী জগোয় ৱায়নরিবনি, ঈপাক্কী ঈথক হাইজিল্লকখিবনি। কংলা মাবু শেমগে হায়বগীদমক জগোয় (চা-কোই) শাখিবা নত্তবরা? চা মাদি কনানো, মানা কোয়না চৎপবু জগোয় কৌখি হায়বগী অহকপা ৱারীনফম্বু কংলা পূংদা লৈফম থোক্তবরা। কংলাদা য়াকৈবদা অয়েৎপা পীববু য়াবরা? মী লৈতবরা য়িংখোল চায়গোয়নুংদা শনলান চঙববু তান্থোকপা ঙমদ্রিবা করি লৈবগী ওইফম থোকপগে, ৱারেপ লৈত্রিবরা?

চা মানা কোয়বা খঙববু চকপা (চাগী মপা) শাদা-লান্দা (থাঙ-তাদা) ফৈনা য়েংবা হৈববু ফৈয়েং, কংলাদা চকপা জগোয় শাগদৌবা কয়াম ৱাৎলিবগে? চা (মকুপ) মাদি তরং-মালংদা কোয়রকপনি, অতিংঙাগী অতিংকোক ফুনবা ঙম্বদগী চাকোই শাবা হৌবা ঙমখিবা নত্তবরা? মিৎয়েং পাকথোকপা তারকই, ৱাখল লৌশিং ঔরায়বা তারকই। লংনবনি খন্দুনা শাওরুবসু লাল্লক্কনি খল্লকই, তূম্বা হৌদোকপীবনি খল্লকই। তূম্বা হৌগৎপদি ফিরাল চিংখৎপনা য়ারোই। ফিরাল মখোঙ শেন্নবা ঙমজদ্রবদি বোর্দর পিল্লর ৮১ তাদুনা তোক্কদৌরিবনি।

য়াম্না নুংঙাইবা ৱানি, চীংদা ইপা অমনা য়াম্না হক্না হায়রকখিবনি। মণিপুর কৌরিবমখৈ পুনবা য়ারোই, অপূনবগী শক্তম শাগৎপা য়াখিরোই হায়রকখিবা লৈ। মদু নৈনফমসি য়ুনিভর্সিটি অমনা ওইগদৌবনি, মদুসু খৎন-চৈনফম, ৱাখল তাদবশিংগী (লৈখায় তাদবশিংগী) শঞ্জাবুং ওইরল্লে, ৱায়নবগা-কাওনবগা, লাইলিক তম্বা মহৈরোয়সু য়াওরমদ্রে হায়বা য়ারে। কোমলা হায়বসি মপুম অমনি, মশুং ৩/৪ পুল্লবদি লাক্তুনা লংথোকখিবা য়াওনরিবনি। অপুম্বা হায়বসি অপূনবা হায়বা নত্তে। মীয়াম অমগী ৱাখল লৌশিংগী সিম্বলদু মহৈ তম্ফমশিংনা ওইগদৌবনি। অদু লৈজদবা হায়বসি লাইলিক তমদবা হায়বনি। লাইলিক তমদনা কংলা খঙবা ঙমখিরোই। মহৈ-মশীন তল্লিবা মীয়ামসি লাইলিক তম্বীবা তারক্লি। থাঙ তাদি য়াওবা হৌরক্লবনি, থাঙ-তাদি ইপা মশক খঙবা, ইমা মশক খঙবা হায়বনি। থাঙ-তাসি জগোয় ওইনা তম্বা হৌখ্রবনি, লৈতেং থাঙ হাইবা হৈনরবনি। কংলাদি পাফলগী ময়ায়নি, মকোক্লি, ফমথোলনি। কংলাদা জগোয় শাবদা 'ইপাগী পাথৌ শাগৎলু, ইপানা হোইবু লাউগেদো' হায়না লাউবিগদৌবা মপা, মপা খঙবা পাখঙবা থুংলদ্রিবা ওইগদৌরিব্রা?

পাফলসি লম্বীনি, লিন শাগৎপনি, লিন্দা ফবগী নুং কনখৎলক্কনি। লম্বী খঙদবা, লিন্দা চুমদবশিংনা কংলা শেন্নবা ঙমফম থোক্তে। লিন্দা কংবা (লৌশিং ৱাৎপা), উ অকংবা শিং ওইনবা, মৈ হৌরকপা মশানা তারকপদুনি। মসি খঙনা কংলা চঙঙো, লেপ্না মহয় ফংগনিয়ে হায়রবদি তানরবরা? লাই শাগনো, লাই খঙঙো, খুরুমহল্লো হায়বদি ঐঙোন্দা (হকচাংদা) নত্তে, কংলাদনে হায়বা খঙনসে, কোক খুদিং কংলা তম্নরকসে হায়বা ওইগনি। লিক্লম কায়দনা কোয়না চৎপা ঙম্ববু কংলা খঙবা কৌয়ে হায়রোইদৌবরা? শাগী মিতমদা ঙাওনরিব্রা?

চৎপা ঙম্বা মীদি মকোক পানগদৌবনি। মদুগীদমক শাকোক লমলেন থল্লম্লিবনি। 'শা' খঙদবা মীনা কমদৌনা কংলাদা চঙগদৌরি, করি কান্নগনি। কংলা-শা য়েংবদি কুম্মৈ নত্তে, ইশা খঙনবা য়েংবা তারকপদুনি। কংলাদি ইশাদা য়াওবদুনি, কাংজেন্নরিবা শাশিংগী কুম্মৈদু য়েংবনা কংলা পাফল মপূং ফাগনি হায়বা থাজদে। ইশামক লম্বী অদুদা চৎপা তম্বা তারকই, য়াওবা তারকই, নৎত্রিবমখৈ কংলা শা খঙবা ঙমগদৌবা মান্দে, কংলা শা উগদৌবা মান্দে। কংলা শা হিংহন্দ্রবদি কংলা লৈবা য়াগদৌবা মাল্লক্তে। কংলা পাফলদা কোয়না চৎকে হায়রবদি কোয়-লেন-লাই (থাংজিং) ঈরাত্তবা য়ারক্ত্রে। থাংজিং মাবু মশক খঙগে হায়রবসু চাকোই শাদবা য়ারক্ত্রে। থাংজিং মাগী জগোয়দি লৈশেম জগোয়দা য়াওবনে। থাঙনা-চীংনা পুরিবা মাবু মশক খঙগে হায়রগনা কংলা-পাফলদা হন্না-হন্না চৎপা তম্বা তারক্লি। মদুবু থাঙ-তা কৌরক্লি। থাঙ-তা খঙদবা মীনা য়েক্নবসু মশক খঙবা ঙম্বা হৌনদে। কংলাদা থাংজিং ঈরাৎপা উখ্রবরা? লাইশঙ ওইনা, জগোয় ওইনা উবদুনা লোমদে। কাঙলোন্দু (পাফলদু) শান্নবা উরবরা হংবা তারকপদুনি। হুরান লাই লাৎনবনা য়াগদৌবা মান্দে।

কংলাদা জগোয় মকু হুবা উরক্লগনি। গধানা কৈ মউন কুপ্লবসু চারিবদি শাজিক্লি, শাদু নত্তে, গধানা শা চাবা ঙম্বা হৌনদে। 'হে শা, কংলা শা, নঙবু হৌগৎলোদা' হায়বা ৱাহৈসি কুম্মৈ নত্তে পাউরৌনি, খোয়দৌদা শোনগদবা লাইৱানি, কংলাদা শোনগদৌবা লাইশোন্নি। মীওই লাক্ষ-লাক্ষ পূন্না শোনগদৌবা কাঙলোননি। মতোম মতোম হুরান-লান্নাদা খুরুমফম নত্তে। থিংলিঙৈদা হুরাল্লম্বনি, ঙসিদি অথিংবা লৈত্রে, হুরানবা মালহনগদৌবা লৈত্রে। মপূনি, মপূগী ৱাহৈ হায়বা হৈরগদৌবনি, মপূ লৈতে খন্নগনুকো, শানা শোক্কনি। মপূশিংদা লংনগনো হায়বা লৈগনি।

কংলাসি স্ক্রিন অমনি, মীয়াম অমগী ৱাখল লৌশিং, নাট, ৱাংউলোন, হৈবা-শিংবা, তৌবা ঙম্বা, খোঙচৎ-খোঙজেল পূম্নমক উবা ফংলিবা মফম অদুম ওইরবনি। য়েংদুনা লৈরিবা মীগী মশীংগা চংদুনা খুরুম্লিবা মীগী মশীংনা কয়া-কয়ানো মশীং থিবা হৌখ্রবনি। য়েংগদৌরিবদি শাদু নত্তে, মশীংদুনি। শাদি পান্দগী য়েংবদা উবা ফংলোই। শা উগে হায়রবদি নোংশাবা ঈরাৎপগী থৌরম চাউনা পাঙথোকপা ঙমগদৌবনি খল্লি। লাইশঙদি লৈসনো, লাইগী মমিংদি চুমথোকসি, জগোয়দি শাসে মমিংদি চুমথোকসে, পাফলদি (লম্বীদি) মান্নবনি। চিন লৈদি লোমগুমসি, ৱায় থারগা শৎসে। লাংওন্নি, লংদায়নি, খুউ শেল্লো, মতম অদুদি লাক্লবনে হায়বগী পাউ তানরকপদু নোংপোক থোঙ হাংবা হায়বনি খঙনরক্লে। নোংপোক হারমদা লম্বী-থোং শাবদু মাল্লক্তে, পূক্লিং লৌশিংগী নুংগী নুংথোঙ হাংবদু ওইগনি খল্লি।

হৌজিক্তি থোঙ থিল্লরে, মমাঙথক্কী ৱারী নীংশিংলক্লে, ৱারীদি নোংপোক ৱারীনি। মদুতনা ইশা ইশক খঙগনি, কংলা খঙগনি, পাফল শান্নবা ঙমগনি। জগোয় ওইনা শান্নগনি, জগোয়গী ফিজোলদি মশক খঙনা শানসে হায়বসি মতমনা পুরকপা ওইগনি।

জগোয়দি জগোয় ওইনা অদুম লৈজসনু।